ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

*"ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা*
*হো পুর্নিমা, মেরাগী পুর্নিমা"*
***- মাইবম রামচরন***

# শৈরেং

## নীংথম উলেনগী চৈনা

**— ডা. অকোইজম ইবোহল**

লম্বী সোরোক চিদাইদা
নুংতি নুমিৎ খুদিংগী
মায়কৈ খঙদা চৎলিবী
পল্থুংফম্না মীরাইবীরবী
ৱাখল লৌশিং চোইরবী,
পলেম ইমা মানবীসে
নীংথম চৈনা ফাওদমাল্লে
চৎলি নিংঙাইদনা মথন্তা।
কাংলূপকী ঈরাং মরক্তা
ময়ূম মৈনা চাকখ্রবা
মরল-মথুম তাকখ্রবা
শৈদাং শঙদা য়ারেক্লিবা
অঙাং নাৱা অপীশকশিং
মখোয়সু থোইনা নাচুংবীদে,
ঈংলবা নীংথম উলেনদো
মায়থীরমাল্লে মখোয়গী মমাঙদদি।
চাকখাওগী লান্থেং মায়োক্নবদা
তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ
তাইবঙনা তূমখুল তান্নরিঙৈ
অহিংদা হৌগৎলে হায়রগা
এঞ্জাং নাপী কোকথোঙনা
কৈথেল মায়কৈ পাংলিবী
ইমা ইবেল ওইবীশিং ও
চঙদবরা নখোয়দসু নীংথম উলেন।
নুংঙাইরবা নীংথম উলেন
ফৌগৈ লনগৈনা লাঙ্গোয় চন
মকা লাম্না পূন্সি লেল্লিবা
য়োইবু হেনবা য়োইহেনবশা,
নখোয়দি থক থক নিক্তুনা
মৈনাক্তগী হেন্দোকপা ঙমদ্রিদো
ও! তোল্লিদকো নখোয়সে
নীংথম চৈনা নখোয়তনা ফাওবরা?

## 'নঙদা চৎখ্রো'

**—রাজকুমারি মীনা**

থাজবা নুংশিবনা হিংলিবনি
অমত্তা ওইনা মীওইবনা।
চীংনবা নুংঙাইতবা য়াওদনা
ধর্ম্ম লৈনা অকিবা য়াওদনা।
লোনচৎ য়াওদবা ধর্ম্ম চেন্দবা
শাগা পাংখক্লি মখোয়দুদি।
লীক্লম চুমদবা চাওখৎত্রবা ফত্তবা
ফাথবা, খন্থবা য়াওদ্রবা লীচৎনা
ককঙাওনহল্লে ঙম্লমক লোইনাইদনা।
কায়হল্লম্লে থম্মোয় কয়া পূম্নমক্কী
লেমজদ্রবা নখোয়গী নতৌসে
শাৎহন্নীংদ্রে কনানসু লৈকোলসিদা।
উনীংদরে নঙনা লৈশাৎ তম্বা
য়ানীংদরে নঙগী শাজৎ-লিচৎ।
লোইশিনবীরমদ্রবা ৱাফম কয়া
তাদুনা লৈহৌরগনি লৈকোলসিদা।
লাউরিবসে অপূম্বগী খোল্লাওনি
নঙদা লোইখ্রো, নঙদা চৎখ্রো।

## উনরবসু খঙনদ্রে

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

কুইনা উনখিদ্রবা মরুপ্তো
ঙসিদি উনবদা মশক খঙলুদ্রে
কয়াদা হোংললম্লবা মাসু, ঐসু
ইঙক-ইঙক ঙক্লে।
নুংশিনা কোনশিন্নৈ
কুইনা উনখিদ্রবা মরুপ্তুগা
উনবদা খঙনরুদ্রবা
খঙনরক্লবগী তুংদা নোকমিন্নৈ
হায়মা নঙ ওইরে।
পূন্সি নঙগী খোঙচৎ
ঙক্তবা ঙমদে, নুংশিনা
লোয়নরকখিবা তিন্নরকখিবা মরুপ্তো
ঙসিদি উনবদা মশক খঙনদ্রে।
নীংশিংখি হৌখ্রবা
থৌদোক ৱাথোক কয়া
নীংশিংলদুনা অমুক নোকমিন্নখি
নীংশিং নীংশিং হৌখ্রবশিংদো,
মরুপ্তুগা লোয়নরদুনা লম্বী
সোরোক সনা য়াংবী থক্তা।

## 'নুংশিবা'

**—অঙোম ইবোমচা**

নুংশিবা নঙসে অঙকপনি
করিদি হায়গনি
ঙকই হায়বা নত্তনা।
নঙনি নুংঙাইবগী মরূ
নঙনি চাওখৎপগী মরূ
নঙতনি পেলহন ঙম্বা পূম্নমকপু।
নঙনা লৈত্রবা মফমদা
তাইবঙ মপুসু লৈতে হায়
নঙদি মরূনি থৱায় পানবশিংগী।
শান্তিগী হৌরকফমসু নুংশিবা
ধর্ম্মগী হৌরকফমসু নুংশিবা
নুংশিবা মানা থৌরী ওই
পূনশিল্লি খূৎলাক চেৎনা তাইবঙসু।
কাউগে খল্ল কাউঙমদে
থোইনা হেন্নদুম নীংশিংই
অশাও পরৈবু লাকশিল্লি
নুংশিবা মানা থৌরী ওই।
নশক উবসু উঙমদে
মূর্তি লৈতে নঙসিদি
কদাইদবু লৈবনো খঙঙমদে
লাইনি হায়নৈ নঙবুদি 'নুংশিবা'।

## নুংশি চাওবা হেনমনখ্রে

**—নাওরেম মঙ্গি**

নুংশি চাওবা হেনমনখ্রে
মীতৈ মচা ঐখোয়সে
হূইনাও মচা য়োল্লগা
উশিত্তনা লৈতোন লেল্লক্লে
ইথক কাদুনা শান্নরক্লে
মখোয়নদুম মপূ শারক্লে।
লমজিংবীনবা লৈত্রে মীতৈগী
লৈঙাক লৈবগীসু কান্নদ্রে
ঐখোয়বু ঙাকপীবা ঙমজদ্রে
নীংশিংলক্লে ইপা ইপুশিং
চহী তরেৎ খুন্তাকপা
অমুক হল্লক্লব্রা খল্লক্লে।
মীতৈ ইমাগী পিরাংসে
মন্ত্রি মন্দলনা উবীদ্রে
ফমথোন মুনখিদ্রা খন্দুনা
থৌনা ফবা ঙমজদ্রে
পাঙদবা ঙাক্তা ওইরম্লে
উচি মখুন্দা চঙখ্রে।
লৌরি য়ূম্ফম কা
নুপী অঙাং কাদফাও
শরাক তল্লক্লবা অসিফাও
য়েংদুনা লৈথোকপা ঙমলি
দেল্লীগী থৌজাল ঙাইরিবা
মীতৈ মাল্লক্ত্রে মখোয়সে।
পাঙদবা নত্তে মীতৈশিং
থৌনা ফবী মমোমশিং
খ্বাংচেৎ লাক্তুনা ঙাইনরি
য়াথং অদুতা পীবিরো
মীতৈ মচাশিংগী মমাঙদা
লেপ্পা ঙমগদবা কনানো।

## নোক্লিংই

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

নুংশিদকো হে ইমা মালেম লৈমা!
নঙগী নতম্বাক্তা অহিংবা কয়া চাক্তারি
থৱায় পানবা পান্দবা ঙম্লমক
নঙগী নথাদা চেৎনা কোল্লিবী
হে ইমা! পূম্নমক্তগী নুংশিথোইরবী!
নঙগুম্বী থৌজাল হৈবী অতিয়াদা লৈত্রে।
অহাঙবা অতিয়াদা পাইদুনা লৈরিবা
মখোয় কয়াগী মনুংদা নঙনা অথোইবীনি
মখোয় অদুনা মালেম লৈমগী লৈতেংনি
হে ইমা! মখোয়না মতিক মঙাল হাপ্লি
নুমিৎ-থা থৱান্মীচাক্লা নহাকপু কল্লকই
ইমা নঙগী নতিক নঙাল থাগৎনীংঙাইনি।
অহিংবা খুদিংগী থৱায় পীরিবা
নুমিৎ কৌবা মহাক্লসু ইমাবু কল্লকই
থাবলগী মঙাল পীরিবা থা মহাকসু
মালেম ইমা নহাকপু কল্লকই
উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল অহিংবা
মখোয় মফমদা লৈবা ঙমদে।
পূম্নমক্তগী মতিক মঙাল হেল্লবী ইমা!
অপঙবা মীওই মশেল কল্লক্লে
অমগা অমগা চাউবা তান্নৈ
হে ইমা নঙবু উফুল ওন্নবা হোৎনৈ
মীওইবা হায়বসি কয়াদা পঙখ্রবা!
অপঙবা মখোয়না মালেম মাঙনবা হোৎনৈ।
মতিক মঙাল লৈরবী মালেম ইমা!
মখোয় কয়ানা মুন্নরিসি নোক্লিংই
মালেম ইমা অহিংবা কনাগী নত্তে,
অহিংবা কয়াগী চাক্তাফম হৌফম লৈফম্লি
লম মুন্নবদা শিন্নরিবা মীয়াম
অহিংবা কয়ানা উবদা নোক্লিংই।

## লৈতাহনসিকো ইমাবু

**—লাইশ্রম ওংবী সুমীতা লৈমা**

হো ইমা নুংশিরবী কংলৈপাক
পাম্মুইদকো ইমা নহাক্কী লমদমসে
ঈংনা চিক্লা মোং হাদবী
ইন্দিয়াগী নোংপোক চিদাইদা
পীক্তক্লা মঙাল লৈনা পানজরম্বী ইমা
ঙসিদি ওইরে মৈরীতনা মায়কৈ থুংনা
চাকখৎলবী মৈরীলক্তা লৈবা মালেমগুম
মাইকৈ খুদিংদা তাঙ্গোইতনা
লৈতেং ওইরক্লে ইমা।
নহাক্কী নতম্বাক্তা হরাও মথোই কা
চাওখৎ ৱাখলনা লমজিং ওই
তানখৎচরুবা নপারি নমোম কয়াসু
পুম্নমক ৱাখল লকানুংসু
তাঙ্গোই ওনখিগদৌরবরনে ইমা
অদুবু শাগুম্লবা মৈৱাইহল্লিবা পূম্নমক্তো অমুক্তদি
ঐখোয় কংলৈ তাইবঙমী ঐখোয়না
অপূনবগী লংলানা পাঙ্গল ওইদুনা
মায়থীবা পীদুনা মহীকশিংদুবু
লৌথোকখিসি মাঙহনখিসি ইমা
মহাক্কী মতম্বাক্তগী, লৈহল্লরোইসি
অমুক হন্না খুজিনদা তুম য়ুদনবা
মায়কৈ খুদিং মৈরি চুরক্তনবা
ঈংনা চীক্লা পাঞ্জনবা
ইমা নঙগী নশাইকোনসে
খুরুমজরি তাইবঙ মপূদা
অমুক্তংদি ওইহনবীয়ুকো
শান্তি লৈবা ইরমদম।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ৱা, অচুম্বা অমসুং চুমদবা



হায়বদা লায়বগী ৱানি, লুচিংবা ওইবসি য়াম্না লুই। লমদমসি নিংথৌ পাল্লকপা লৈপাক্নি। হৌজিকসু কোনুং লৈরি । থায়নগী নিংথৌ পাল্লিঙৌদা নিংথৌনা লৈপাক্কী লুচিংবা ওইবদি মতীক ময়াই লৈবগী ঙম্বনি। নিংথৌ ওইনবা মী থিবদা শামু য়াইশা থাদোক্লগা নিংথৌ ওইবা য়াবা থিখিবগী ৱারীসু লৈখি। লৈঙাকলোন খঙবা, লৈপাক মীয়ামবু নুংশিগদবা মতীক চাবা পাখংবগী চাদা নাওদা থিরগা ওইহনবনি। মীয়াম্না নিংথৌবু লাইনি হায়না নীংনৈ। নিংথৌদা হঙ্গৎনা য়েংবা, চিন্দা পাওদানবদি লায়রদনা লাইনিংথৌ হায়বদগী হেন্না অতৈ হায়বা ঙম্নদে। লৈপাক্কী মপু,নিংথৌ ওইবা তারবদি ফম্বাল তোংলগা ওইরকখিবনি। ফম্বাল তোংবা হায়বসি অচন্বা থৌরম নত্তে। মতীক চাদবা মীদি, ফম্বাল তোংবদি লাইরদনা ফম্বাল তোংফম মনাক ফাওবা চঙবা ঙমদে হায়নৈ । ঙসি নিংথৌ লৈঙাক লৈত্রে । নিংথৌদি ঙসিগী এম এল এ, মন্ত্রিগা মান্নরে হায়না লৌনরি। এম এল এ, মন্ত্রি ওইগদবশিং এসেমব্লিদা ৱাশক লৌবসি ফম্বাল তোংবগুম্বনি খনবদি তায়োন্নগদবদি মাল্লি ।

মীয়ামগী, লৈপাক খুন্নাইগী য়াইফনবা করিগুম্বা খরা তৌগে খনবশিং এম এল এ, মন্ত্রি ওইরগা তৌবা ঙমদবসু লৈগনি। খল্লুবা খূদিংমক পাংথোকপা ঙম্বা হায়বসি ওইথোকপা ৱাগনি। নিংথৌনা পাংথোক্কে খল্লগা ঙমখিদবসু লৈখি। অদুনা মচা মশুশিংদা মহাকথক্তা ঙমখিদবা মখা তারকপনা পাংথোল্লক্লবা শিন্নবগী পুৱারী লৈখি ।

খ্রিষ্টোফর মার্লোগী 'ডাক্তর ফোষ্টস' হেক্তা নীংশিংলকই। ডাক্তর ফোষ্টসনা ঙমদবা করি লৈখিবগে ? মহাক্না অফবদা তৌবা ঙম্বদগী হেন্দোক্লন্দনা ফত্তবা তৌবরোমদা অমুক পাল্লকখিবা করিগীনো ? খঙবা য়াবা খঙলবা,তম্বা য়াবা তল্লবা, পাবা য়াবা লাইরিক পাদুনা মহে হৈবদা লোইরবা অফ-ফত্ত খঙলবা ডাক্তর ফোষ্টসনা, করিগী ফত্তবগী মরমদা খঙনীংলকপনো, ফত্তবা তৌবা পাল্লকখিবনো ? নীংবা থুংবা হায়বসি কদায়দা লৈবগে? করিগী মীওইবনা অহেনবা পাম্বনো? পেল্থোকপা হায়বসি ঙমদবা মী মশীং য়ামখৎলক্লিবসিনা করিদগীনো ? মীনা করিগী হেন্না নুংঙাইবা পাম্বনো ? ডাক্তর ফোষ্টসনা তৌবা ঙম্বা পাম্বদগী, হৌখ্রবা মতমগী মমিং লৈখিবী ট্রোই লৈপাক্কী শকহেনবী হেলেনবু করিগী মনাক্তা কৌনিংলিবা। শিখ্রবা মীবু ঙম্মী হায়দুনা মংফমদগী কৌথোল্লগা উন্নবা য়াগদ্রা? নৎত্রগা কৌবা ঙম্বা মী, মন্ত্র হৈবা লৈগদ্রা ?

মীবু শীজিন্নবা য়াবা, কৌবা ঙম্বা মন্ত্র, তরেং লৈবীনা মীবু কৌবা ঙম্বগুম মন্ত্র লৈরগদি হৌজিক্কী মতমদা কান্নগনি। তরেং লৈবী মন্ত্র ফার্মাসিদা হিদাক য়োনবগুম য়োল্লগদি য়াম্না শিৎকনি। মীয়াম্না লৈনগনি। ডাক্তর ফোষ্টসনা থাইনগী ট্রোইগী হেলেন কৌবগুম,ঐখোয়গী মীশিংগী মরক্তসু অদুঙৈগী মোইরাং থোইবী অহিংবা ওইনা কৌনীংবা য়াওনরক্নি। চাংয়েং তৌনিংলক্নি। হায়জনীংলিবা ৱাফমদি, ঐখোয়সি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থবক য়াম্না তৌই। তুংগী খনগন্দে অনৌবা য়াম্না পাম্মী । মী অমনা করিগুম্বা অনৌবা অমা তৌরবদি অমসু হেক্তা তৌরকই। তুং কোইগদবা চেকশিনবা মচু তাবা, ফিদমনীংঙাই ওইবা থবকশিংদি মতৌ তমদুনা পাংথোল্লকপা ইয়ু উদে । মী অয়াম্বা থিকাদারগী থবক খুৎশু, থিকাদারগী পূন্সি মহীংদা হিংবগুম উরি। অফবা অচুম্বা তৌবা পুকচেল চাউবা থিকাদার মতম অমা লৈরমখি হৌজিক লৈত্রে, মখোয়গুম্বদি অতাঙবনি।

নিংথৌবু লাইনি খন্নরম্বা,নিংথৌ উরগা খুরুম্নরম্বা লমদমসিগী মীশিংনা খুরুম্বদি লাইরদনা, ঙসি ঙাঙনীং ঙাংনীংবা ঙাঙনরিবসি করিগীদগীনো ? মীবু থীনা থীনা চৈনরগা পেন্নরিবসিনা করিগী? খোনচোপ ঙাঙবা ইকায়নরম্বা লমদমসিগী মীয়াম্না চিন থীদুনা খোনচোপ ঙাঙবদা অরেম্বা অমগুম খন্নরকপা উরি। চিন থিবদা ইকায়নদ্রে। মেডিয়াদা অরেম্বা অমগুম নুপা নুপী খায়দনা খোনচোপ ঙাঙনরক্লিবসিনা করিগী ? ইয়াম্বা,ইবুং,ইমা-ইপা,ইকু-ইনেম,ইচে-ইনম্মা থিদনা, ইকায়বা হায়বদু লোইনা কাওথোক্লরগা অমগা অমগা চিন্দা পাউদানবা,চিন থীদুনা ঙাঙবা খুম্নবা হেনগৎলক্লি ।

লম্বী লমজাউদা কোমজাও য়াম্না উই ইম্ফাল ময়োন্দা। ওফিসারশিং,লম্বী লমজাও শেম্নবগী থৌবু ওইরিবা এসো, ইঞ্জিনীয়রশিংসু য়াদবা লম্বীদা উনা উনা, খঙনা অদুম কার তোংলগা চৎলমগনি । লৈরক্ত উফুল হৌবগী কয়লাস থাদবগী ৱাকৎ মীফম ফম্বসি অমেরিকাদা,জপান্দা তৌনবা তাদে। লম্বী শেম্বীয়ু, মৈ ফংহল্লু হায়না মীচম মীয়াম্না লৈঙাক্তা ৱাকৎলকপসি ঐখোয়গী লৈপাকসি মকোক্তা লৈরমগনি।

ট্রাফিক পুলিসশিংনা লম্বীদা লাকপা গাড়ি য়াম্না থৎলগা চেক তৌবা উই। লৈপাকসে অরানবা তৌবসি য়াম্না লৈরমাল্লে । গাড়ি চে-চাং শুদবা, লাইসেন্স য়াওদবা, অরীবা গাড়ি, মী হেন্না তোংশিনবা, মরম কয়ামুক্তা চেক তৌরগা ফাইন থিহনবা উই। ট্রাফিকসু মথৌ তৌবনি,ওর্দর অমগী মতুংইন্না তৌবদি ওইরমগনি, অফবনি খল্লি । অশোয়বসু খরা অদুম থেংনৈ । খ্বাইদগী নুংঙাইতবসি মী চিনবা অকুংবা মরক্তা,অচৌ অশাং মন্ত্রি লাকপগী সেক্যুরিটিনা মমাঙ থারগা মখুৎনা খৎলগা মখোয় হান্না চৎখিগে হায়দুনা গাড়ি থৌজিল্লকপসিনি। মন্ত্রি তোংবা গাড়িনা কন্না করিগী মীরক্তা থৌজিনবা, মহাক্না হান্না চৎনীংবগী মরম্না করি লৈবনো ? মন্ত্রি,অচৌ-অশাং তোংবা গাড়িনা মবুক তপ্না ঈংনা থৌবা লমদমসিদা অমুক্তা থেংনদ্রি।

চহী লোইরমদাইসিদা, মতম কুইনা চহী কয়া চারা হেন্দুনা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱারস এক্টকী মায়োক্তা চোংথোকখিবা ইরোম চনু শর্ম্মিলা নীংশিংলকই। মহাকপু মীয়াম্না অৱাংবা থাক্তা মতম অমা থাংগৎখি, কৈশুমশঙদগী থোল্লকপদা লৈ হুকপীখি। ঙসিদি মহাক কাওনখ্রে, শোন্নখিদ্রে। মহাক্কী শৈরেং অমা কাওবা ঙমদে। "ঐনা শিরগা ঐগী হকচাং পোল্লাং কৌব্রু ইপাগী লৈশাদা তিলহনবীয়ু ।" কৈশুমশঙগী রাণী মিংথোলসু পীনখিবী মরৈবাক নীংখিবীনি। মহাক্না লৈপাক্কী,মীয়ামগী কৈনোমদি তৌরমগে খল্লমগনি। কুইদে মৈতৈ চনু শর্ম্মিলা খাঙুথক্কী শিঙ্গারৈগুম,পাম্মুই পাম্মুই চিকমাংনখি ।

মথংদা থৌনা ফনা চোংথোল্লকখি,এক্টিব সর্বিসকী থবক থাদোক্তুনা লৈপাক্কী, খুন্নাইগী অমোৎপা শেংদোক্কে খন্না মৈতৈ চনুরা অমসু গান্ধীগুম্না চৈশু পায়দুনা চোংথোল্লমখি। মহাক্না ঙাঙথোল্লকপা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাঙাঙশিংদা নহা অহল কয়ানা মহাক্কী মিচংদা লেপখি । মীয়াম্না শৌগৎখি,চাওথোকচখি মহাক্কীদমক। জেনরেল ইলেক্সন ফাওবা লেপহনখি। অচুম্বা পাম্বা অশেংবা মৈতৈ নুপীনি খন্নখি। পোৎলুম কয়া মথক্তা থোনগৎখিবা লৈব্রা, নাক য়েৎকী ঙাকলৌদা করি করম্বা অশোয়বা লৈবননো খঙদে,অহল লমন্না মীয়াম তিনবদা হায়নবা ৱাফম, 'হায়গদবা ৱানা হায়হৌদা হায়রোয়দবা ৱানা ঙাঙথোকখি.." হায়দু তাখিমালে । থৌনা ফবী মহাক্তু মীয়ামগী চৈফম, খোঙ্গোইনফম ওইরকখি। পাম্মুই খজিক্তদা শোয়খি। মফম চাদবদা খিনবা খরুং তাখি ।

মহাক্লসু লোইবা নাইদে মৈতৈ চনু। অমগী মথংদা অমা, লৈপাক্কী খনবা নৌজরিবী অমসু থোল্লক্লি। মীয়াম্না নুংশিনা শোন্নরি। লৈ পরেং হুক্লরি। অদুবু ৱাজৈ করি থোল্লগবা নৌজরিবী লৈরাংসে। মথংগী ৱারীনা করি ওইগদবা ? ফগাৎলকপা শোন্নবা হৌরকপদা, নুঙ্গাইলক্তা চৎপদা খুদি থিরক্কদ্রা ? অসুম্না অসুম লোইখ্রগদি মৈতৈ নুপীশিংবু ইকায় খুম্ননা হুকখিবা মীয়ামগী লৈ পরেংশিংগী ৱাহন্থোক করি ওইরকপা তাবগে ? তাঙনা য়াওরকপা থৌনা ফবী মৈতৈ নুপীনি। মরৈবাক নীংজবা ইচে ইচন, ইমা ইবেনশিংগী থৌদাং চাউই, মখোয়বু ইকায়খুম্নবা মাঙহনজ নিংদে। ডা.কমলগী মৈতৈ চনু শৈরেংদা ইরি- "পূক্লিংগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাং হেক্তুনা, লিংজেল মান্নবগী লংনা লেংদুনা, খাঙবা কনবগী য়েন্দাইদা হাপ্তুনা কৎলুসিনে ইমাগী খুয়াদা ।"অদুবু ৱাজৈ করি থোল্লগবা। রাজনিতিগী থৌরিবুদি লৈ পরেংনি খল্লুবা য়াদে। খোঙফম অমা শোয়বদা খোংজোম নুবী তরেৎ নোঙ্গাখি। পেতঙা,য়ুমজাও লাইরেম্বী,পান্থোইবী কোন্নথংদা খুভম য়ারগা লাৎহৌখি। ঙাইহাক্কী ৱারী লীরগুমসি, তুংকোইনগী ওইগদবা লৈপাক মীয়ামগী খল্লগা হোৎনমিন্নরসি ॥

***-মাখোনমনি মোংসাবা***

**ৱারী ককনাউ**

# কিগনবা গুন্দা

চাওরাক্লা কুমজা ১৯৭৪-৭৫ মতমগী ৱারীনি। তাইতোম্বী কাবক-কাবক্কী গুন্দানি। গুন্দানিগাইনা হায়রদি মতমদু মীনা য়াম্না কিনৈ। তাইতোম্বী কা হেন্না ঙাওশিন ফৈজিন্নবা মীশক অমদি নত্তে। অদুবু ময়াম তিনবদা খিত্তং নাতৈ চাদবসি য়াম্না তৌগল্লি। য়াওসু য়াম্না য়াওগল্লি। অমসু অমসু মাদি অদুম য়াওই। খৎনরে, হুরাল্লে, কোইবা চৎলে মা অমা ইচিৎ চিত্থগন্দে। অদুনা থৌদোক ৱাথোকসু য়াম্না থেংনগল্লি। থাঙদি য়াম্না য়েপকল্লি। থাঙ অমা য়েপ্পা হায়বসি তোক্তে। মানা থাঙ য়েপ্লে হায়বসিসু মীঙোন্দা হাইরপ খঙহল্লগা, মীনা 'থাঙ য়েপ্লে থাঙ য়েপ্লে' গাইনা হায়নবদুনি মানা পাম্মীসে। অদুনা তাইতোম্বীসি অয়াম্বা মতমদা মাগী মখূৎ য়েৎসি মবুক ময়াদা থম্মী। নৎত্রগা মখ্বাং য়াম মেৎকল্লি। থাঙ শেন্নবা ওইনা। অদুগা মশামক্তি শিবা য়াম্না কিবা মীতাজাৎনি। মাগী হায়বু অহানবদা খোনসি স্কেল খরা ৱাংলপ ঙাঙগল্লি। মদুদা মীনা হু-হু লাউনা হনখ্রবা ফরে মানা অফাও শাহৌরে। করিগুম্বা মানা অমুক অনীরক্কা লাউবদা হন্দ্রবদি কৈনোমা তৌশিন্নরগা মা থুনা ময়ূমদা হনজিনবসিনি মাগী হৈনবী। থোইদোক্লা য়াম্না মরিলগা লৈবজাৎ নত্তে। মালহনবীসিনি মানা তৌরিসি।

থাবল চোংফমদা মরৈ অমা তৌনবদগী মখোয়গী মখারোমদা খরা চৎলগা লৈবা নুপা অমগা নোংমা তাইতোম্বীগী মমান্নবা অমগা খৎনৈ। নুপাদুনা তাইতোম্বীগী মমান্নবদু য়াম্না ফূখি। মতমদুদা মাদি থাবল কন্না চোংলিঙৌদা খঙহৌদে। মী খৎনরে হায়না থাবল ঙাইহাক লেপ্লদুদা থোরকপদা খৎনরিদু মাগী মমান্নবদা ফূরম্বনি খঙলকপনি। মতমদুদা মহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে। মমান্নবদুদা 'অশ! ঐ খঙহৌদেদা, খঙলম্মদি মথ্বায় লৌথোক্কদবনি'' গাইনা ৱা য়াম্না চাউনা চাউনা ঙাঙখি। নুমিৎতু থাবল মখা চোংদনা অদুম হল্লকখি। তাইতোম্বীদি নুমিৎতুদা লৈকায়দুদা লৈশাবী মচা অমা থাবল চোংবদা মতা চানা পায়রুবদগী অহানবা ওইনা খঙনবগী ৱারী কন্না নুংঙাইখৎলক্লবা মতমনি, অদুবু মমান্নবদুগী মমায়দু মীনা ফূরম্বদগী লৈতেম মান্ননা লৈরবদুদবু করম্না মখা চোংলুগনি? চাক্লা চাক্লা হল্লকখি।

লমতা লোইখ্রে, শজিবু কালেন ইঙা হৌখিদুনা ইঙেন লানশিল্লকপা মতমদুদা মমান্নবদা ফূরকপা নুপাদু মখোয় লৈকায়গী মচিন্দুদা চৎলম্বা থেংনরে। অনীমক মীৎকা মীৎকা মীৎচান্নৈ। তাইতোম্বীসি মানা ফূরুবা নুপাদুগী মমান্নবনি হায়বসি খঙবনিনা, তাইতোম্বী মমিৎ খারপ য়েংলকপদুদা নুপাদু ফীভম শেন্মগা মনীং হল্লগা হাইরপ চেল্লি। মদুদা মথোই কারক্তুনা তাইতোম্বীনা তান্নৈ।

"হে মীনা ঙাইখো হায়রদি ঙাইখোদনা"

সাইকলগা খোঙগা লমজেল তান্নবা য়াবা নত্তে। তাইতোম্বীনা থৌজিল্লকপদা নুপাদু খিত্তা ঙাইরে ফংগদবা। নুপাদু ফংলমদাইদুদা মীনগা ইপা পাখৎনা য়েংনবা অদুনে, তাইতোম্বী মীহুন্দু কৈনোমা তৌরকই। করিগুম্বা ঐনা মীসি ফংলদি থাঙগা শৎতনা পাইশিল্লুরে, ঐবু কমাই তৌদুইনো? নুপাসি খরা য়াঙনা চেল্লদি ফদৌনি। ফংদবা শারগা ঐসু তান্নবা তোক্লগে খল্লি। অদুবু নুপাদুদি ৱারকপদগী চেনবগী খোঙজেল তপথরকই। তাইতোম্বী নুংশা থীবা হেনজিল্লকই।

'ঙসি ঐনা মী মমাঙদা চোপ্তুনা তোকপা তারে। নুপাসিদা ঐনা থাঙনা য়ানবসু ঙমগদবা লৈতে, কৈদৌনুংগী তান্নজরুবা'' মপূক্লিংদা খল্লি। পান্থে অমা য়েংলকপদা লম্বীগী নাকলদা খোংবান মচা অমা লৈবদু উরে। 'উম মসিদা হেক্তা তুশিল্লগে'' হায়না খল্লে। অদুবু সাইকলনে কৈনে তুশিল্লগা ঐ অমুক শোক্লদি কমদৌবা অদুগীসু অমুক কিরকই। কৈনোমা তৌদবদি য়াদে। মরমদি নুপাদু ফংগদবা লম মুক্তা ঙাইরবনি। তাইতোম্বী সাইকলদু খোংবান্দুদা মমিৎ উইশিল্লগা থৌদৈ। খোংবান্দু ঈশিং কয়া লৈতে। ইরোইনা লৈওল্লম্বগী লৈখোম লৈনাং য়াম্না লৈ। মহাক কৈসু থোইদোক্লা তৌদে। লৈখোম মরক্তুদা নৈশিন্দুনা লৈরে। অদুবু মচিন্দা লাউবদি লেপ্তে।

"ঙাইখো...ঙাইখো'' মাদি হৌগৎলগা তুশিনবা শাদুনা অমুক অনীরক মতম মাঙহল্লি। লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈরবা তাইতোম্বীনা মমিৎতু পৈরপ্লা য়েংই নুপাদু চেনখ্রব্রা হায়না। উরে নুপাদু ফনা শাংনা চেনখ্রে। অদুকান্দুদা তাইতোম্বী খোংবান মচাদুদগী কাখৎলকই। অদুগা মীনা লাকচখিবা শাদুনা তকসি শোল্লি।

"খিত্তদা নাম্থোকখিদা, নৎলমদ্রবদি ঐগী খূত্তা শিগদবনি''

ঙসাইদগী মাগী মগুণ খঙবা তোনস্নানা খোংবান মপান্দা শজিক ফাল্লম্বদগী লাওরকই।

"য়ারে ইবোতোম্বী নগুণ চপ চানা খঙই, লাও শজিকসিদুম অমুক্তা থোংগৎলম্মু''

ৱাদু তাবদা তাইতোম্বী, ৱা মখা তারকপা তারে হায়দুনা,

"য়ানি তাদা ঐ থোংগৎচগে'' চেনশিল্লগা তোনস্নাগী শজিক্তু মকোক্তা থোংগৎখি। তোনস্নানা তাইতোম্বীদা নোকফেৎ তৌনা য়েংলগা,

"নঙগী ধপসিদি ইবো কল্লিহে''

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) - ৪৫

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লীকলাং চোমফামলগীবু। উপোঙ (উতোংচাম) চাকশোইবা লৈতবা। চাক শোইয়ে। থাঙয়ি ফৌ। ফৌবাম মরোং শামদবা। জুম জুম লাওনা পানবা। ফৌবাল মরোং। ইশাম শামনা। চরল চরল ফৌপাললে। লোইমোম ফৌবাল ফৌরীক কেললে। হায়না ৱাহায় থীনা। চৈথাংনা ঙাংখিয়ে। মদাইরেম অথৌবা হাওয়াং হাওয়াংপা য়াংপোকই মিংকৌবা। লাইজ ঈরোলনুংদা কাপতু লৈখৈরেংনা। উচুক হুইথা লেংনা হাৎখিবা। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -꯴꯵

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯤꯀꯂꯥꯡ ꯆꯣꯝꯐꯥꯝꯂꯒꯤꯕꯨ॥ ꯎꯄꯣꯡ (ꯎꯇꯣꯡꯆꯥꯝ) ꯆꯥꯛꯁꯣꯏꯕ ꯂꯩꯇꯕ॥ ꯆꯥꯛ ꯁꯣꯏꯌꯦ॥ ꯊꯥꯡꯌꯤ ꯐꯧ॥ ꯐꯧꯕꯥꯝ ꯃꯔꯣꯡ ꯁꯥꯃꯗꯕ॥ ꯖꯨꯝ ꯖꯨꯝ ꯂꯥꯎꯅ ꯄꯥꯟꯕ॥ ꯐꯧꯕꯥꯜ ꯃꯔꯣꯡ॥ ꯏꯁꯥꯝ ꯁꯥꯝꯅ॥ ꯆꯔꯜ ꯆꯔꯜ ꯐꯧꯄꯥꯜꯂꯦ॥ ꯂꯣꯏꯃꯣꯝ ꯐꯧꯕꯥꯜ ꯐꯧꯔꯤꯛ ꯀꯦꯜꯂꯦ॥ ꯍꯥꯏꯅ ꯋꯥꯍꯥꯏ ꯊꯤꯅ॥ ꯆꯩꯊꯥꯡꯅ ꯉꯥꯡꯈꯤꯌꯦ॥ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯑꯊꯧꯕ ꯍꯥꯎꯌꯥꯡ ꯍꯥꯎꯌꯥꯡꯄ ꯌꯥꯡꯄꯣꯛꯀꯤ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕ॥ ꯂꯥꯏꯖ ꯏꯔꯣꯜꯅꯨꯡꯗ ꯀꯥꯞꯇꯨ ꯂꯩꯈꯩꯔꯦꯡꯅ॥ ꯎꯆꯨꯛ ꯍꯨꯏꯊ ꯂꯦꯡꯅ ꯍꯥꯠꯈꯤꯕ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।